ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫৯শুবা মশীং

# এফ এস এল পাঙ্গৈ

## মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই কাবা দ্রগকী ৱাথোক, নুপী-অঙাংদা চথ্বা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ক্রাইম অমদি মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মণিপুরদসু হায়রিবা থৌদোকশিং অসি অদুম্মক থোক্লিবনি। অদুমকপু পীল্লবা ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ময়াই কাবা দ্রগ ফাবগী পাউদি নুমীৎ খূদিংগী মীয়াম্না তান্নরি। লৈঙাক্লসু ময়াই কাবা দ্রগ থিংননবা ৱার ওন দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা লৌখৎলি। হন্দক্তসু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চ্যের লৌদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ চীফশিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পোপী পান্বী থাবশিংগী হিংননবগী অতোপ্পা লম্বী অমা পীননবা খন্নখিবা লৈখ্রে। মসিগীসু মথক্তা পোপী পান্বী থারম্বা মফমশিংদা লেমন গ্রাস থাবা য়াগদ্রা হায়বা য়েংশিন্ননবসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লুপা ক্রোর ক্রোরগী দ্রগ কয়া ফাগৎখিবগা মরী লৈননা কেস কয়াসু পন্দুনা লৈরি। ময়াই কাবা দ্রগকী ৱাফম অসিখক্তা নত্তনা নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথ্বা ক্রাইমশিংগী কেস কয়াসু পন্দুনা লৈরি। মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক কয়া অমসু থোক্লি। থৌদোকশিং অদুগী কেস কয়া অমসু চথ্থরি। হায়রিবা কেস মখলশিং অসিগী ৱায়েল চথ্থরকপদা থিন্থহনবগী অচৌবা মরমশিংগী মনুংদা মতম চানা মরী লৈনবা ফোরেন্সিক লেবোরেটরি এক্সপার্ট ওপিনিয়ন (রিপোর্ট) ফংবা ঙমদবা অসিসু অমা ওইরি।

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফ এস এল) অসি পাঙ্গৈদা লৈ। লেবোরেটরি অসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী মতৌ অমসু উরি। মসিগী মরমদি লেবোরেটরি অসিগী মেন পাৱর ৱাৎপা, মতমগা চুনবা খুৎশু-খুৎলায়শিং লৈতবা, মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ফন্দগী অৱাৎপা লৈবননি হায়রি। নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)গী কোর গ্রুপকী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না লেবোরেটরি অসি হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা দাইরেক্ট ফঙ্কসনিং তৌদে। লেবোরেটরি অসিগী সেঙ্কসন পোষ্ট ৬৬ লৈবগী মনুংদা ২৬তি হাঙদুনা লৈরি। লেবোরেটরি অসিদা দি এন এ (দিওক্সিরাইবো ন্যুক্লিক এসিদ) টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবসু লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা ইন্টর্নেট কনেক্সন ফাওবা লৈরমদবগী ৱাফম হন্দক্তা থেংনখ্রে। ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসিবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবা অমদি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্ননবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লেবোরেটরি অসিগী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎপীরবদি পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংগা মরী লৈনবা ফোরেন্সিককী রিপোর্টশিং মতম চানা লানখৎপা অমদি পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংগী দিস্পোজেলগী চাং হেনগৎহনবসু ঙমগদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মতৌ অসিদি মমিংতগী ওইনা লৈবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অমগী ফীভমদা লাক্লে। মসিনা ময়াই কাবা দ্রগ, নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথ্বা ক্রাইম অমদি মীহাৎ-মীপুনদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা অপনবা অমা ওইরক্লি। তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগীসু পাঙ্গৈদা লৈরিবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসিগী ফীভম ফগৎহন্ননবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ময়াই কাবা দ্রগকী কেস, নুপী-অঙাংগী মথক্তা চথ্বা ক্রাইমগা মরী লৈনবা কেস অমদি মীহাৎ-মীপুনগী কেসশিং অসি হন্থহন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোথানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?
২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?
৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?
৫) "গুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - ( ৩, ৫)
*২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ৩, ৫)*
৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১, ৩)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭কী ৱিন্নর

*অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৭কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম দিসেম্বর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭কী পাউখুম

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
*:- খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহনা ইবা 'ছাত্র মচা'।*
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
*:- কুমজা ১৯১৩-১৪দা।*
৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
*:- তকষী শিবশঙ্কর পিল্লৈনা মলায়ালম লোলদা ইবা 'চেম্মীন' হায়বা উপন্যাসতগী এল বীরেন্দ্রকুমার শর্ম্মনা হন্দোকপনি।*
৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো? *:- শীতলজিৎ সিংহনা 'প্রাইমারি স্কুলগী (নিম্ন অমসুং উচ্চ) অঙাংশিংগীদমক চিঠি ইবগী মরমদা মপূং ফাবা লাইরিক অমা লৈতবা অদুগা রচনাগী লাইরিকসু অমত্তা উদবা অদুনা অরায়বা ৱারেং লাইরিক হায়বসি লেংজবনি।'*
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবা অসি কনানো? *:- শক্লাইরবা এদ্যুকেসনিষ্ট সনসম কুঞ্জবিহারী সিংহনি।*

# ওবেসিটিনা ইম্যুন সেলশিংগী মথৌদা অয়েৎপা পীদুনা ট্যুমরনা থুনা নাহল্লি

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**




ওবেসিটি লৈরবা মী অমদা কেন্সর মখল খরা নাহল্লকপা য়াই হায়বসি সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবদগী খঙনরক্লবনি। হরভর্দ মেদিকেল স্কুলগী থিজিন লূপ অমনা উচিদা চাং য়েংখিবদগী ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে হায়না 'সেল' (দিসেম্বর ৯) চেফোঙদা ফোঙদোরকখ্রে। ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক্লা CD8+ T সেলশিংগী মশীং অমসুং এন্টিট্যুমর এক্টিভিটিবু হন্থহল্লি। মরমদি কেন্সর সেলশিংনা হেনগৎলক্লিবা ফেট অদুদা পীবা পাউখুম ওইনা, মখোয়গী মেটবলিজমবু রিপ্রোগ্রাম তৌরগা এনর্জি য়াম্না য়াওরবা ফেটকী মোলিক্যুলশিংবু চাথোকই, অদুনা T সেলশিংনা মচিঞ্জাক ফংবা ঙমদে অদুগা ট্যুমর সেলশিংনা থুনা মপূং মরৈ ফারকই।

থিজিন-লূপ অসিনা ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক পীজবা উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা ট্যুমর সেলশিংগী ফেটকা মরী লৈনবা মেটবলিক রিপ্রোগ্রামিং অদুবু থিংদুনা থন্বা মতমদা উচিশিং অদুদা ট্যুমরগী চাউবগী চাং হন্থরকপা থেংনরম্মী। মসিগী মরমদি CD8 T সেলশিংসি ইম্যুন সিষ্টমবু কেন্সরগী মায়োক্তা মথৌ তৌহল্লিবা, ইম্যুনোথেরপিশিংদা শীজিন্নবা মরু ওইবা খূৎলায় অমনি। কেন্সর ইম্যুনোথেরপিশিংসি অনাবা মীশিংগী পুন্সিদা অচৌবা ইথিল পীরিবা পান্থৈ অমনি, অদুবু মসিনা মীপূম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা কান্নবা পীবদি তৌদে। ব্লাভতনিক ইন্সটিট্যুটকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্যুনোলোজিগী প্রোফেসর অরলিন শার্পনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ওবেসিটিনা মরম ওইদুনা থোরকপা অহোংবগী থৌওং অমনা, T সেলশিং অমসুং ট্যুমর সেলশিংগী মরক্তা মেটবলিক্কী থৌরি চিংবী অমা কন্না শান্নে। মরম অসিনা ট্যুমর সেলশিংনা T সেলশিংগী মচিঞ্জাক চাথোকখিদুনা কেন্সরনা থুনা শারেপ ফারকই। অসুম্না নৌনা খঙলক্লিবা ৱাফম অসিনা কেন্সর ইম্যুনোথেরপিখক্তদা নত্তনা কম্বিনেসন থেরপিশিংদসু অনৌবা য়াওল অমা পুরকপা য়াই হায়রি।

কোলোরেক্টেল, খোম, মেলানোমা অমসুং থবোম্বীগী কেন্সর নারবা উচিগী মোদেলশিংদা ওবেসিটিনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা কূপ্না নৈনখি। লূপ অসিনা উচিশিংদা নোর্মেল নৎত্রগা ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাকশিং পীজখি। ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাকশিং চারিবা উচিশিংদু ওবেসিটি ওইরকপগা লোয়ননা ওবেসিটিগা মরী লৈনবা অহোংবা কয়াসু উরকখি। ট্যুমর মাইক্রোইনভাইরনমেন্ট হায়না খঙনবা ট্যুমরগী মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সেলশিংদা থোরকপা অহোংবশিংবু কূপ্না য়েংশিল্লম্মী। ফেট য়াম্না য়াওরবা চিঞ্জাকশিং চারিবা উচিশিংদা কেন্সর সেলশিংনা থুনা হৌগৎলকপা থেংনরম্মী। অদুবু অসিগুম্বা অহোংবসি ইম্যুনোজেনিক ওইবা কেন্সর মখলশিংখক্তদা থেংনখি। চাংয়েং অদুদা CD8+ T সেলশিংবু উচিশিং অদুদগী লৌথোকখিবা মতমদদি, চিঞ্জাক্লা ট্যুমরনা হৌগৎলকপদা থুগৎহন্দবসু থেংনরম্মী।

ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক্লা ট্যুমর মাইক্রোইনভাইরনমেন্টদা CD8+ T সেলশিংগী মশীং হন্থহল্লি অদুবু অতোপ্পা হকচাংগী মফমশিংদদি হন্থহন্দে। ট্যুমরদা লৈহৌরিবা সেলশিংনা তপ্না-তপ্না মচা পোক্লকই অমসুং মথৌ তৌবগী চাং হন্থরকই। অদুবু অসিগুম্বা সেলশিংসি লৌথোক্লগা লেবতা হৌহনবা মতমদদি মখোয়গী মথৌদা অকায়বা অমত্তা লৈরমদে। মসিনা তাক্লিবদি ট্যুমরনা সেলশিংদুগী মথৌদা অকায়বা পী হায়বসিনি। তাঞ্জাসিদা ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চারিবা শাশিংদা কেন্সর সেলশিংনা ফেট হেন্না ফংনবগীদমক মখোয়গী মেটবলিজমবু রিপ্রোগ্রাম তৌবা ঙম্মী, অদুবু ফীভম অসি CD8+ T সেলশিংদদি থোক্লমদে। অদুনা T সেলশিংনা ফেট লৌশিনবা ঙল্লমদে।

সিঙ্গল-সেল জীন এক্সপ্রেসন এনালাইসিসশিং, লার্জ-স্কেল প্রোটিন সর্ভেশিং অমসুং হায়-রিজোলুসন ইমেজিং য়াওবা পান্থৈ কয়া শীজিন্নদুনা নৈনখিবদা, ফেট হেঞ্জিন্না লৌশিনবগী মেটবলিজমদা 'ব্রেক" অমা ওইনা মথৌ তৌরিবা PHD3 হায়রিবা প্রোটিন অসিদা পূক্লিং থিংজিন্নীংঙাই ওইবা খরা থেংনবা ঙমখি। ওবিস ইনভাইরনমেন্ট অমদা কেন্সর সেলশিংগী PHD3 - গী এক্সপ্রেসন অসি য়াম্না হন্থরকই। থিজিন-লূপ অসিনা ট্যুমর সেলশিংবু নমদুনা PHD3 বু ওভরএক্সপ্রেস তৌহনবা মতমদা, ওবিস ওইরবা উচিশিংদা ট্যুমরনা ফেট লৌশিনবা হন্থরকপা থেংনরম্মী। PHD3 গী এক্সপ্রেসন হেনগৎলকপসিনা ট্যুমরশিংদা ইম্যুন সেলগী মথৌদা ফেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক্কী নেগেটিভ ইফেক্টশিংবু ওন্থোক্লহনবা ঙম্মী। PHD3 য়াম্না য়াওবা ট্যুমরশিংনা ওবিস ওইরবা উচিশিংদা তপ্না হৌগৎলকই। মসি CD8+ T সেলগী মথৌ কনখৎলকপগী হকথেংনবা মহয় অমনি। ওবিস ওইরবা উচিশিংদা CD8+ T সেলশিং য়াওদবনা, ট্যুমরনা হৌগৎলকপদা PHD3 এক্সপ্রেসন খেন্নবনা অহোংবা অমত্তা পীরমদে। মতৌ অসুম্না, থিজিনখিবা অসিদগী ফংলক্লিবা মহয় অসিনা কেন্সর লায়েংদা অনৌবা পাড়া অমা ওইদুনা কেন্সর থেরপিদা মতেং পাংলক্লগনি হায়রি। ●

# 'ইন্টরনেটকী খূথাংদা নুপী লালবু পাউদম্বা'

**আর কে বুধিমন্তা**


আর কে সী এসনা নুপী লালগী দিজাইন হৌগৎলকপা

হন্দক কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মালেম পূম্বা লান্দারকপসিদা, মীপূম খুদিং মীপাইবা পোক্লরিঙৈ, লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীদবা য়াদে হায়দুনা লৈঙাক্লা এস ও পি লাউথোক্তুনা ঐখোয় পূন্না লাঞ্জাও অসিদা লান্থেংনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা মণিপুরদা থোকখিবা নুপী লালদুগী নীংশিং নুমিৎতুগী নুমিৎ অদু য়ৌরক্লবদা করম্না নীংশিং থৌরম অদুবু পাঙথোক্লগদগে হায়না খল্লিঙৈ থা অসিগী ৯গী নুমিদাংৱাইরমদা দেল্লিদগী খঙহৌদনা ফোন অমা লাকই। ফোন অদুদি অতে কনাদগী নত্তে, হৌজিক হৌজিক দেল্লিদা লৈরিবা ঐনা ইমাবেম্মা কৌজবা, ইম্ফাল কোলেজদা মণিপুরী লিটরেচরগী ওজা ওইবিরম্বী থবক্তগী পোথারবী ইমা খোমদ্রাম সরোজ নলিনী ওইরম্বদুদা ঐ য়াম্না থাজখিদে। ইমাবেম্মা করি ওইরবনো হংজখি ঐনা। ইমাবেম্মনা, হন্দক নুপী লাল নুমিৎসিদা ঐগী য়ুট্যুবতা লাইরিক পাবগী প্রোগ্রামদুদা ইমাবু নুপী লালগী মরমদা ৱারেং অমা পাদবা য়াদে তাকপীরকখি। মদুদা ঐহাক্লা, নচা করি মতেং পাংজৌগে হংজবদা, ইমাবেম্মনা অসুম্না খুল্লকই, নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স শঙ্গাবদা ফোঙখিবা সোবিন্যারদা সনখ্যা আর কে সী এসনা ইবিখিবা ৱারেং অদু পাথোকচগে লেপ্লে। অতে মচাক কয়াসু খোমজিনজরে। অদুবু ইবুংঙোখোইগী পাবুংনা ইবিখিবা ৱারেং অদু লৈবিরগদি ইমাদা থাবিরক্তুনা মতেং অসিদদি পাংবীদবা য়াদে।

পাউ অদু তাবদা থম্মোয়দা তিং লাউনা মীৎলুদগী পিরাং ইহৌরকখি। মরমদি নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অসিদা খিনগদৌরিবা নীংশিং মীত্তম অসি খিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা ঐগী অপোকপবু নীংশিংবীরকপদা থম্মোয়দা অপেনবা ফাওখি। তশেংবদি হেক হৌবদগী অসুম্না ঙসি ঐখোয়না উরিবা মীত্তম অসিগী শক্তম অসি ওইনবা হোৎনবদা, দিজাইন তৌনবগী থৌদাং অদু ঐগী অপোকপদা শীন্নবিরবা মতমদুদা অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায় পংয়েৎতা য়েৎনবদগী অৱাবা অমা ওইখি। দিজাইন কম্মিটি লৈরগসু কনসেপ্ট অমসুং ভিজুয়েল দিজাইনদুগী দ্রোয়িংদুদি ইপাগী কোক্তুদগী ওইখিবদুদা অৱাবা কয়া থেংনখি। ঐনা হিংলিঙৈদা লৈবাক্কী মশক থোকপা দান অমত্তংদি তৌরম্লগে খন্দুনা হরাও-হরাও য়াখিবদু, য়েৎনবা কয়া থোরক্তুনা মমৈথংদা মতমদুগী গভর্ণর ও এন শ্রীবাষ্টবদা দিজাইন অসি তৌবা ঙমজররোই হায়না অইবা চে পীশিন্দুনা খঙহল্লবদা, অকোনবদদি য়ান্নবা পুরক্তুনা দিজাইন, ঙসি ঐখোয়না উরিবা শক্তম অসি ওইখিবনি।

লৈবাক মীয়াম্না ঙসিদি মীত্তম অসিগী শক্তমবু পিকচর ওইনা মখল মখা কয়াদা শীজিন্নরি।

অদুবু দিজাইন তৌখিবা আর্টিষ্টতুগী মিং ওইনা পঞ্জরবদা ঐগী অপোকপা আর কে সী এসকী মিংবুদি কনামত্তা খঙনদে অমসুং শোন্নদে, মীত্তমশিংদুবুদি লাই শাবা বি বোনোমালি শর্ম্ম অমসুং এস নিমাইনা শরুক অনী থোক্লা খাইদোক্লরগা শাখিবনি।

ঙসি নুপীলাল কমপ্লেক্স হায়না খঙনরিবা, কমপ্লেক্স অসি কুমজা ১৯৯৯গী এপ্রিল ১৮দা শঙ্গাখিবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা সোবিন্যার অমা ফোঙখি। সোবিন্যার সব কম্মিটিনা সনখ্যাদি নুপী লালসু য়াওবিরকপা, মীত্তমসিগী দিজাইনরসু ওইবিরবনিনা সনখ্যাগী ৱারেং মচা অমা ইবীদবা য়াদে হায়বিরকপদগী ইবিরম্বা ৱারেং অদুগী টাইটলদুদি 'নুপী লালদুদা ঐগী মোত অমসুং ঐ' হায়বা ৱারেং অদু য়াম্না শাংনা ইবদি নত্তে অদুবু মমীৎমক্লা উহৌবা, লালদুদা য়াওরুবা মমল য়াম্লবা পাউদম খরদি য়াওরি।

অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা ইমাবেম্মা সরোজ নলিনীনা অমেরিকাদা লৈরিবা মচানুপী ইঙুদম মোনিকাগী ইনিসিএটিভ মখাদা য়ুট্যুবকী চেনেল অমা ওইবিরিবা, থাংজ খুদিংগী লাইরিক পাবা অমসুং নৈনবা 'বুক ক্লব' কী থৌরমদা ইপানা ইবিরম্বা ৱারেং অসি চহী ২২গী মতুংদা হন্দক নুপী লাল নুমিৎতা পাথোরকপদা থম্মোয়দা অপেনবা ফাওজৈ, থম্মোয়দগী খঙহৌদনা পিগী ইরা চেল্লগা ইমাবেম্মনা পাবা অদু ইমুং-মনুং পূন্না তাবা ফংজখি।


খোমদ্রাম সরোজ নলিনী

ইমাবেম্মাবু নচানা খুরুমজরি অমসুং পুন্সি নুংশাংনা হিংবীদুনা মণিপুরগী থোকখ্রবা পুৱারী, লাইওইখ্রবা, মণিপুরগীদমক্তা খঞ্জদুনা পুন্সি কৎথোকপীখ্রবা, মীংলেন ওইনা শিবা নাইররোইদ্রবা শক্লাইরবা অইবী-অইবা কয়ানা ইবিরম্বা লাইরিক, ৱারেং কয়াবু য়ুট্যুবকী খূথাংদা মালেম অসিদা লৈরিবা মণিপুর মচাশিংবু নৌহৌননা খঙহল্লগে অমসুং হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা লাইরিক কয়াদু পাবীদুনা খঙহন্দবা য়াদে হায়না লৌখৎলক্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই, পুন্সিগী সনধ্যা ওইরবা মতম, মশাগী চহী ৭৪ শুরবা ইমাবেম্মানা লৌবিরিবা থৌদাং অসিগুম্না অতে অহল ওইরবা কয়াবু ৱারী-ৱাতাই শাবা, মখোয়দগী ঐখোয়না খঙহৌবা য়াবা কয়া ৱারী মথং রেকোর্দ তৌদুনা থমহৌবা হায়বসিসু ঐখোয়গী তুংগী মীরোলদা মমল য়াম্লবা আর্কাইবকী মচাক ওইহৌগদৌরিবনি।

হন্দক চহীগী নুপী লাল, কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুং ওইরবসু ইমা সরোজ নলিনিনা ইন্টরনেটকী খূথাংদা মালেম পূম্বদা খুন্দাদুনা লৈখ্রবা মণিপুর মচা কয়াগী মফমদা খুদক্তা য়ৌহন্দুনা মালেম পূম্বা শিনবা থুংনা মায় পাক্লা নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ ২০২০সি পাঙথোকখ্রে লৌজরি। ●

# অমষ্টরদাম ১৯২৮ # ১

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

অমষ্টরদাম ওলিম্পিক অসি ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদোক অমনি। গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী হোকি টিম্না ইহান হানবা ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াদুনা সনাগী মেদল ফংখি। চহী অদুদগী হৌনা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক তরুক থংন-থংননা মায় পাক্তুনা মালেমগী লৈবাকশিংবু মায়থীবা পীবদা নত্তনা অফাওবা শান্নরোয় মেজর ধ্যানচান্দগী লেঙদ্রবা মীংচৎ অমসু মালেমগী য়ূমথোং খুদিংমক্তা মতম চূপ্পগী ওইনা শোন্নহল্লি।

১৯শুবা সেঞ্চুরি লোইরমদাইদা মহারানি ভিক্টোরিয়ানা নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা বৃটিশকী লোইলমশিংগী মপু ওইবা মতমদা বৃটিশ সিফাইশিংনা মখোয়গী মখা পোনবা লমশিংদা হোকি শান্নহনবা হৌখি। অসুম্না মশান্না অসি ইন্দিয়াদা পুশিল্লকপদদি ইন্দিয়া মচাশিংনা য়াম্না চুশিন্ননা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পাম্না শান্নরম্মী। সিফাই, পুলিস, টেলিগ্রাফ অমসুং রেলৱেদা থবক তৌবশিংনসু থৱায় য়াওনা শান্নরম্মী। নিংথৌ পানবা ষ্টেটশিংনা মসিবু ঈজৎ লৈবা মশান্না অমনি হায়না লৌরম্মী। মরম অসিনা ইন্দিয়াদা লৈবা অচৌবা ক্লবশিংনা হোকিগী শান্নরোয়শিংবু য়োকখত্তুনা অফবা টিমশিং পুথোক্লম্মী।

মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা হোকি টুর্নামেন্ট বাইটন কপ কোলকটাদা কুমজা ১৮৯৫দা পাঙথোকপা হৌখি। চহী অমা লৈরগা কুমজা ১৮৯৬তা বোম্বেদা অঘা-খান কপ পাঙথোক্তুনা শান্নবগী থাক ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯২৫দা ইন্দিয়াগী হোকি ফেদরেসন শেমখি। কুমজা ১৯২৬তা ইন্দিয়াগী আর্মি টিম অমা ন্যুজিলেন্দদা শান্নবা চৎলম্মী, মদুদা য়াম্না মায় পাকখি।

অহানবা ইন্টর-প্রোভিন্সিয়েল চেম্পিয়নশিপ অমা পাঙথোক্লগা অমসুং কোলকটাদা চাংয়েং কয়া তৌরগা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুনবা টিম খল্লম্মী।

মতম অদুদা ইংলেন্দদা লাইরিক তমদুনা লৈরিবা ওক্সফোর্দকী জয়পাল সিংহ অমসুং ইফটিখর-অলি-খান (সেনিয়র-নৱাব-অফ-পতাউদি) অমদি কেমব্রিদজগী এস এম য়ুশুফ ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা য়াওহল্লম্মী। মখোয়গী মরক্তগী জয়পাল সিংহবু ইন্দিয়াগী অহানবা ওলিম্পিক হোকি টিম অসিগী কেপ্তেন ওইনা খল্লম্মী। অমষ্টরদামদা চৎত্রিঙৈদা টিম অসিনা ইংলেন্দদা চৎতুনা শান্নবদা ইন্দিয়াগী টিমদা সেনিয়র পতাউদি য়াওরম্মী, মহাক মতম অদুদা ক্রিকেটতা মমিং চৎপা নিংথৌ মচানি। মহাক ইংলেন্দ অমসুং ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নখি। জারদিননা লুচিংদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নখিবা 'বোদি লাইন' হায়না ফাওখিবা সেরিজ অদুগী ইংলেন্দ টিমদা মহাকসু য়াওখি। মহাক অমষ্টরদামদা চৎপদি য়াওখিদে। জয়পাল সিংহসু অমষ্টরদামদা ওলিম্পিক্কী শান্নবা য়াওরম্লগা ফাইনেল শান্নবা য়াওরমদনা ইংলেন্দদা হনখিরম্মী। ইন্দিয়ানা রিপব্লিক ওইরবা মতুংদা জয়পাল সিংহ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরম্মী অমসুং বিহারদগী জরখাণ্ড কৌবা ষ্টেট অমা তোঙান্না শেম্বগী ঈহৌ শাগৎপগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবা অমনি।

ওষ্ট্রিয়া, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, স্বিটজরলেন্দ, হোলেন্দ, জর্মনি, ফ্রান্স, স্পেন অমসুং ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক অসিগী হোকিদা শরুক য়ারম্মী। লৈবাক মাপল অসি কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলূপ অমমমদগী থোইরক্তুনা মকোক তারকপা লৈবাক অনী - ইন্দিয়া অমসুং হোলেন্দ ফাইনেল শান্নরম্মী।

ইন্দিয়ানা অহানবা কাঙলূপ্তা ওষ্ট্রিয়াবু ৬-০, বেলজিয়মবু ৯-০, দেনমার্কপু ৫-০ অমসুং স্বিটজরলেন্দবু ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অমরোমদা অনীশুবা কাঙলূপ্তা হোলেন্দনা ফ্রান্সপু ৫-০ অমসুং জর্মনিবু ২-১দা থোইখি অমদি স্পেনগা ১-১দা পাঞ্জল মান্নখি। ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা হোলেন্দবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক্কী অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা সনাগী মেদল ফংখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্তেন জয়পাল সিংহ ফাইনেল শান্নদ্রিঙৈদা ইংলেন্দদা হনখিবা মরম্না ইরিক-পিন্নগরনা হোলেন্দগা ফাইনেল শান্নবদা ইন্দিয়াবু লুচিংখি। চহী অদুদগী হৌনা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক তরুক থংন-থংননা মায় পাক্তুনা লেংদ্রবা রেকোর্দ অমা থমখি।

মমাঙঙৈগী গ্রিসকী চৎনবীগী ৱাংমদা কুমজা ১৯০০গী পেরিসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা নুপীশিংবু তেনিস শান্নহনখি। অদুবু এথলেটিক্সকী থৌরমশিংদি অমষ্টরদামদা অহানবা ওইনা য়াওহন্দুনা নুপীগী শান্নবগী পুৱারীদা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইখি। মদুদা য়াওখিবা থৌরমশিংদি মিটর ১০০, মিটর ৮০০, ৪ x মিটর ১০০গী রিলে, দিস্কস লংবা অমসুং হায়জম্পনি। ●